থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লৈঙাকপা ! লাইনীংলোন্দা লৈঙাক্কনু

‘লাক্লো... লাক্লো আর্যগী মচা-মশুশিং/আর্য নত্তবসু থোরক্লো/হিন্দু নঙসু য়াওররো/লাক্লো নঙসু মুসলমান/ইংলিস ঙাঙবা নহাকসু/খৃষ্টিয়ন চৎপা নহাকসু/ব্রাহ্মন ওইবা নহাকসু/শেংদোকউ নঙগী নথম্মোয়/খুৎকা খুৎকা শম্নোলাউ/শোক্না-শম্ন-য়াদবা/তোল্ল-তারা মখোয়গা... ৱাহায় পরেংশিং অসি রবীন্দ্রনাথ তেগোরগী ‘ভারত তির্থ’ হায়বা শৈরেংদুদগী লৌথোকপনি।

করিগীনো ঐহাক্না তেগোরগী শৈরেং অসি ঙসি নীংশিংলক্লিবা? হংবীনিংলমগনি শোয়দনা শৈরেং অসি পারগা।

হিন্দু-মুস্লিম-সিখ-ইসাই, ধর্ম্ম খুদিং লৈবা লম; শোক্ন-শম্ন-য়াদবা, অচৌ-পীশক খায়বা লম; মীশক’তগী হেন্দুনা, লাইশক-ফাওবা য়াম্বা লম; চাউখৎপগী লমজেলদা, ঙসি মনিং চেল্লসু, মৈহৌরোলদা য়েংলগা, মাঙজিন থানা চেল্লম্বা; মশামক্কী মিংখৈসু, অনীবুদি শুবা-লম-ভারত অমদি ইন্দিয়া ! ঙসি ওইরিবা শক্তমসিবু য়েংলগা, মাঙলমচত্তু নীংশিংবা অমদি তুংলমচৎ’তা য়েংলুবা- নুংঙাইবা পূক্নিং-কুম্মৈনি।

লমদমসিগী বেদিক-লিতরেচর (বেদগী মতমদা ইরম্বা লাইরিকশিং)- মীওইবা খুন্নাইনা খুন্থোকপা হৌরকঙৈদা ইখিবা, খ্বাইদগী লিরবা খুৎইশিংগী মরক্তা থোইদোক্না শীংথানরিবা অমনি। মীওইবগী খুন্নাইলোন, শিন্থালোন, শেন্মীৎলোন অমদি লাইনিংলোনগী মরমদা ইবা থাক ৱাংলবা লাইরিকশিং ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লোনশিংদা হন্দোক্লরি। মালেমদা ঙসি শকখঙনরিবা লাইনিংলোন কয়াগী হৌরকফমদি, হায়রিবা লাইরিকশিং অসিনা পীবা ইথিলদগীনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হায়নরি। মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা ‘তাইবং মহৈকোন’ (য়ুনিভর্সিটি) ওইরম্মী হায়নরিবা ‘নালন্দা য়ুনিভর্সিটি’, লমদমসিদা লৈরম্বা অসিনসু লেঙদ্রবা খুৎতম চাংতমনি- ‘ইন্দিয়ন সিভিলাইজেসন হায়বা অমা য়াম্না ঙন্না লৈরম্মী’।

অদুগা ঙসিনা কমদৌবা? চাউখৎপগী পন্দোল লোমদুনা চাউখ্রবা মালেম অসিবু অপীকপা খুঙ্গং অমগুম লৌনরক্লবা মতমসিদা- ইন্দিয়া হায়বা লমসিগী মশীং য়াম্বা কাঙলুপতি, খোঙহাম্ফম অমাংশঙ শা’নী হায়বা খঙদরি। লবুক-লক্মাং, চীংয়া তময়া- মশা ৱাই শংদোক্লফম ওইনা লৌনরি। মশাগী চৎফম-হিংফম ফাওবা উঙমদবা মখোয়না কদায়দগী লাইনিং লম্বীনো ! মখোয়দুগী মফমদা, চঙলুই-থুংলুই ঈশ্বর’না, ‘নোংমই চরা’ অদুগী শক্তম ওইনা শক’লোৎনা।

ঈশ্বরগী মিংবু লল্লোনপোৎ ওইনা শীজিন্নবা, ৱাপাউ শন্দোকপা কাঙবু’না মখোয়দতা মীৎয়েং থম, লাইগী মপাউ শন্দোকই। পঙজবদুই তাঞ্জা লৌ, লাইগী য়াথং শাদুনা, অকি-অখঙ পোকহল্লি, তৌহৈদবা তৌহল্লি। মদুনা মরম ওইদুনা, থাজবা লাইশক খেন্নবা মীওইশিংগী মরক্তা, অমনা অমবু থাজনদবা-নুংশিনদবই থাক কা হেন্না চাং-ৱাংই। লাইনিং লম্বী মান্নদবনা মীওই কাঙলুপ মশেন মরক্তা ইতৎ তত্তনা উংখৎনৈ। মন্দির, মসজিদ, চর্চ... মীওইবগী নুংশি-মপাউ শন্দোকফম ওইহনবগী মহুত্তা, অমনা অমদা হু কামশিন্নফম ওইরকপা, খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

হৌখিবা মতম খরসিদা নেসনেল পেপর অমদি ন্যুজ-চেন্নেল খরদা অনৌবা থৌদোক নৎত্রবা থৌদোক অমা, অনৌবা পাউ অমগুম ফোঙনরকপা থংনখি। অনৌবা পাউ নৎত্রবসু, থৌদোক্তুগী মিংথোলদুদি অনৌবনি। মতম খরই মমাঙদা, হিন্দু লাইনিংদা ঙাওজবা মীওই খরনা শীন্দুনা, ‘ইস্লাম’ অমদি ‘খৃষ্টিয়ন’ লাইনিং চৎপা মীওই খরা, ‘হিন্দু লাইনিং লম্বী’দা হল্লকহনবগী লাইমিং লৌবা থৌরম খরা পাঙথোকখি। অদুবুনি হিন্দু-লাইনিং-লূপ খরনা/য়ুমদা হল্লকপা’ (ঘর-ৱাপসি) হায়দুনা মিংথোল্লিবা। আগ্রা’দা খুন্দাবা, বাংলাদেশলোমদগী চেল্লকপা, বঙ্গালি-ঙাঙবা মুস্লিম খরা, হিন্দু-লাইনিং-মকোক (পুরোহিত) খরনা ‘মৈগী-পূজা’ তৌদুনা লাইশোন শোনবীবগী ‘ভিদিও রেকোর্দিং’ অমা হঞ্জিন হঞ্জিন উত্তুনা মুস্লিমশিংগী থম্মোয়দা তাশোন’না থিনখি। পার্লিয়ামেন্ট’কী হাউস অনীমক চরাঙনবা থোক্তুনা মথৌ তৌখিদে। তূমদুনা লৈরুরবা অখঙ-অহৈ-নৈনরোইশিং, খঙহৌদনা মীকপ থোক্লকখি। নৈনরকখি। থৌদৌ অসি অনৌবরা? নহানমখৈদি থোক্তবরা? হিন্দু-লাইনিং চৎলম্বদগী অতোপ্পা লাইনিং লম্বীদা চৎখিবদি ৱাথোক অমা নত্তবা, অতোপ্পা লাইনিং লম্বীদগী হিন্দু-লাইনিংদা ওনশিল্লকপদুতনা ৱাথোক্লা? ‘টাইমস-নাও’গী খুথাংদা নুপী অমনা ফোঙদোক্লকখিবা (মমিংদুদি ইশিনহৌদ্রে).. ‘হিন্দু-ধর্ম্মদগী অতোপ্পা ধর্ম্মদা ওনখিবগী থৌদোকসিদি ইন্দিয়াদা চহী কয়াদগী থোক্তুনা লাক্লি, নৎলমদ্রবদবু মুস্লিম অমদি খৃষ্টিয়ন-পোপুলেসন’না ঙসি ওইরিবা চাং অসিদা করম্না হেনগৎলমগনি... ঘর-ৱাপসি থৌরমখক্তবু নিন্দা তৌগদবা নত্তে, তৌবা তারবদি ধর্ম্ম ওন্থোক-ওনশিনবগী থবকসিমক থিংগদবনি...’।

ঈশ্বর (লাই) হায়বসি অমত্তনি হায়বদি ধর্ম্ম খুদিংমক্না হায়। ঈশ্বরসু, অল্লাহসু, রাম-রহিম-কৃষ্ণ’সু- মপু মাতগী মিংখৈনি। মানা মানা থাজজবা লাইনিং-পাউজেল শন্দোক্লম্লিবা নুপাদু লাইগী মচানিদি হায়রগা, লাইগী মচা অতোপ্পদুবুদি করিগী য়েক্লবগুম উরিবা? হিন্দুস্থান হায়না মিংথোনবা লৈপাকসিগী হিন্দুশিংনা হায়রিবনা... ওল্লিঙৈগী মতমদা হিন্দু নত্তবা মীওই অমত্তা লৈপাকসিদা লৈরমদে, অতোপ্পা লাইনিংদা থাজজবা মীওইশিং, কোন্না লাকপ’মক্তগী, ওইদ-পাদা ৱাপাউনা অতোপ্পা লাইনিং থাজহল্লুবনি, মখোয়না হিন্দু ওল্লকপা, মপাগী য়ুমদা হল্লকপনি।’

ৱাফমসিগী মরীদা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীদা নৈনখিবা মীফমদু অদোমসু তাবীরম্বা থোল্লবা, পূক্নিংদা শোয়দনা ফওবীরমগনি... ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং, ঙসি কৌবা নুমীৎসিদসু নুংগী-য়ুগ অদুদগী পঙহেন হেনগৎপা ঙমদরি। কয়ামুক য়াম্না নেম্বা থাক’তা লৈঙাক থৌদা-পুরিবা খঙবীরল্লনি শোয়দনা। মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং মীয়ামদা য়ৌবা ঙমহন্নবা অশেংবা ইন্দিয়ন অমা (নন্দন নিলকেনি)না পুথোক্লম্বা পান্থৈ অমবু (আধার কার্দ), ধর্ম্ম (থাজবা) অমা হোংহন্নবা পান্থৈ ওইনা শীজিন্নরম্বা ! খনবীয়ু, লৈপাকসিগী তুংলমচৎ কদোমদনো?

মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবগী, খ্বাইদই হেন্না লিরবা লাইনিংলোন অমা ওইরিবা ‘হিন্দুইজম’- পুৱারী (ইতিহাস)কী থেংখাং কয়ারক্তা ফংখিবা চৈথেং, চৈফু কয়াদুগী খল্লুরবদি, ঙসি, নহান্না মমি মুৎখ্রবা, মৰূ-ফাওবা ফূকখ্রবা ‘লাইনিংলোন’ অমা ওইরল্লগদবনি। অদুবু ঙসিসু ওইরি, মশীং য়াম্বা কাঙলুপ্না থাজবা লাইনিং।

ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইজরিবা ‘তেগোর’গী শৈরেং অসিগী মপূম ফাবা ৱাহং ফোঙদোকচরম্বা তারবা, লীরমগদবনি ৱারী- কল্ল’ থৌরবা মুস্লিম নিংথৌরেল কয়া অমদি কুচু ঙৌবা অংগ্রেজ-লৈঙাকপা কয়ানা, অনৌবা লাইনিং অমদি মনাৎ (রিলিজন অমদি কলচর) কয়া পুশিল্লক্তুনা হান্নই লীক্লম মুখুৎনবা হোৎনখিবা কয়াদুগী।

অদুগা, নীংতম-নুমীৎ কৌবা কোরৌদুনা অমুক পীরখি- পূমনৌ নৌবা পাউজেল অমা। ফ্রিদম ওফ রিলিজন। লাইনিং লম্বীগী নীংতম্বা। লমদমসিগী মীকোক খূদিংদা- মানা মানা পামজবা ধর্ম্ম চৎপগী, নীংজবা লাইশোন শোনবগী, শন্দোক্লিংবা ৱাপাউ শন্দোকপগী, ঙাংনিংবা ৱাঙাং ঙাঙবগী, তৌনিংবা থবক তৌবগী... মীশিং য়ামদবা কাঙলুপশিংবু ঙাকপী’-শেনবী’ থম্নবগী। অনৌবা চৎনলোন অসিনা অনৌবা লৈঙক্লোন অমা শেল্লকই- ভোৎ-বেঙ্ক-পোলিটিক্স। ইন্দিয়া’না ঙসি মীমান্নবা ঙমদ্রিবা, লৈখা তারবা লৈঙাকসিননি, খঙনা খঙনা ঐখোয়সু, তৌবা ঙমদে করিমত্তা।

ঙসিগী লৈঙাক্না হায়- ‘লাইনিং খেন্নবগী য়েংথিনবা কোক্লবা, লাইনিংলোন হোংবা থিংনবা লো অমা শেল্লসি’। পূম্নমকপু মান্ননা য়েংবা, লিংজেল মান্নরবা ওপ্পোজিসন-পার্টি ময়াম পুনশিন্না’, য়েৎপা হায়বসি ওপ্পোজিসনগী তৌফদ্রবা থৌদাংনি খন, য়েৎলি য়েৎফম-মীফমদুদা। ৱারেপ লৌবা ঙমহন্দে। মসিবু কৌই লৈপাক ঙাকপা। শক-চু, শিল্লম-শিন্থা, লাইনিংগী খেন্নবা থমদ্রবা- লৈঙাকপ’না করম্না, লৈঙাক শিন্থা পাঙগনি?

লৌশিং পুক্কে

# নহাশিংদা মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম

## থোকহন্দনবা হোৎনবদা মমা মপা ওইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই

লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মনুংদা চাদা ৪৪ দি ৱাখল নুংঙাইতবা অমদি পান্দম লৈতনা থবক তৌবগী থৌওংশিং থোক্লি হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি। হায়রিবা রিপোর্ট অসি হৌখিবা কুমজা ২০২১ গীনি। অদুগা চহী অসিগী ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী চাদা ২০ না মশা মতোমতা শিজখ্রসিরা হায়না খল্লি অদুগা চাদা ৯ না মশা মতোমতা শিজনবা হোৎনরম্বগী থৌদোকশিং থোকখি হায়না রিপোর্ট অসিদা পল্লি। অদুবু ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ৱাখল লম্ফৈ চৎখিদনবা হোৎনবদা মমা মপা ওইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মমা মপা ওইবশিংনা ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা মখোয়গী মচা মশুশিংবু ৱারী চাং নাইনা শাদুনা অমদি মখোয়গী ৱাখল্লোন খঙদোক্লগা থবক তৌরবদি নহাশিংনা কা হেনবা ফিরেপ লৌবগী চাং অসি য়াম্না হন্থৈ হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

নহাশিংনা ইনখৎলকপা মতম অসি খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা মতম অমনি। হায়রিবা মতম অসিদা মখোয় মশানা মশা শকতাকচনবা হোৎনরকপা, থবক কয়া মশানা পাঙথোক্লিংবগী ৱাখল ফাওরকপা অমদি মনিং তম্বা পাম্বগী ৱাখল্লোন পোকপা হৌরকই। হায়রিবা মতম অসিদা মমা মপা ওইবশিং অমদি মচাশিংগী মরক্তা অফবা মরী লৈবা ঙম্লক্তে। মতম অসি মখোয়গী ওইনদি ৱাখল মপুঙ ফানা খন্থবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা মশানা মশাগী ৱাখল মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবগী ফিভম অমদা লাকহল্লি। মসিদা ঐখোয়না খঙজিনগদবদি নহাশিংনা চহী ১৪ শুরকপা মতমদা ৱাখলগী ওইবা লৈতাদবগী থৌদোক অসি থোকপা হৌরকই। অদুগা মশাগী চহী ২৪ শুরকপা মতম অসিদনা মখোয়গী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওই। মতম অসিদনি মমা মপা ওইবশিংগী অচৌবা রোল অমা মথৌ তারক্লিবসি। হায়রিবা মতম অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা ঙাং-শকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। নুমিৎ খুদিংগী মচাশিংগী হোংলক্লিবা মওং মতৌ খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। মতম অসিদা মচাশিংনা মখোয়গী অপাম্বা কয়া মমা মপা ওইবশিংদা ফোঙদোরকপা য়াই অমদি মখোয়না পাল্লিবশিং অদু মমা মপাশিংনা য়ারক্তবা নৎত্রগনা মনিং থুংহনবা ঙম্লক্তবা মতমদা কা হেনবা ফিরেপ লৌনবা ৱাখল্লোন খনবগী চাং ৱাংখৎলকই। অদুবু মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা অকনবা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা হায়রিবা মতম অসিদা চৈরোইদবনি। মদুগী মহুত্তা মখোয়গী অপাম্বা অমদি ৱাখল্লোন অদু মুন্না খঙদোক্লগা ৱারী শান্নদুনা অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা মতমদা মমা মপা অমসুং মচা ওইবশিংগী মরক্তা য়াম্না কুইনা কৌনদবগী থৌওংশিংসু থোক্তবা নত্তে। অদুবু অসিগুম্বা



থৌদোকশিং অসিদগী খরা নাথৈরগা মমা মপা ওইবশিংনা রোল মোদেল অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। ইনখৎলকপগী চহী মতাং অসিদা মচাশিংনা মমা মপাশিংদা উশিৎ থৌওইদনা ৱা ঙাঙবা অমদি মখোয়না হায়বা ইন্দবগী থৌওংশিং তোয়না থোকপা থেংনৈ। মতম অসিদা মচাশিংনা উশিৎ থৌওইদনা ঙাংলকপা কয়া অদু পর্সনেল ওইনা লৌশিন্দুনা থবক তৌনরকই। অদুবু অঙাংশিং মতৌ করম্না লোয়নগদে হায়বা খঙবা মমা মপা ওইবশিংনদি মচাশিংনা ঙাঙলকপা মতমদা অশাওবা কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা তাঞ্জা ফংবদা ৱারী শানবা হোৎনগনি। অসুম্না তৌবসিনা মমা মপা ওইবশিং অমসুং মচাশিংগা অফবা মরী শেমগৎপা ঙম্মী। মমা মপাশিংগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরবা মতমদা নুংঙাইবা ইমুং অমা ওইবা ঙম্মী হায়বদু মতম পুম্বদা মখোয়দা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। খুদম ওইনা ইমুংদা ফমদুনা টি ভি য়েংবা মতমদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী অমদি মসিনা পীরিবা কান্নবশিং উৎপা কয়া য়েংমিন্ননবা হোৎনগদবনি। মসিনা তুংদা অঙাং অদু অফবা অমদি মায় পাকপগী লম্বীদা পুরকপা মতমদা অচৌবা মতেং অমা ওই। মরম অদুনা মমা মপা ওইবশিংনা মতম পুম্বদা মচাশিংগী ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বা খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা থকসি খাসি তম্বীদুনা তুংদা অফবা মচা শেম্বা হৈবগী মিংথোল ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়রি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স হৈঙাংদা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৮দগী লাক্লিবা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮ ফাওবা ৬শুবা শিংজু ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : শিংজু য়োকখৎপা লূপ (এস ৱাই ও এল) ইম্ফাল মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শিংজু ফেষ্টিভেল কম্মিটিনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স হৈঙাংদা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৮দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮ ফাওবা নুমীৎ ১২নি চুপ্পা ৬শুবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২ পাঙথোক্লগনি হায়না ফেষ্টিভেল কম্মিটি ২০২২গী কনভিনর রাকেশ নাওরেমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



সেভ অৱার ইন্দিজিনস ফুদ, কলচর এন্দ ইন্টিগ্রিটি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা শিংজু মখলশিং, চীঞ্জাক মখলশিং, খুৎ-শা হৈবগী পোথোকশিং, লৈতেংগী ওইবা পোৎলমশিং, হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌টকী পোথোকশিং, অঙাংশিংগী ওইবা অখন্নবা পোৎলমশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টোল ১০০ ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়ামগীদমক হাংগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না ফুদ ষ্টোল য়াওনা অতৌ ষ্টোলশিং ফম্বীবা য়াগনি হায়রি।

নুমীৎ ১২নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২ অসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুমীদাং পুং ৯ ফাওবা নুমীৎ খুদিংগী কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না প্রমোসনল ইভেন্ট ওইনা শিংজু রন (মেগা মরাথোন রেস), ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ, ট্রি প্লান্টেসন অমদি শিংজু সাইকল রেল্লি পাঙথোক্কনি। লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিগী মেন ইভেন্টস ওইনা ইন্দিজিনস কলচর (ফোক সোং, ফোক দান্স, লিকোন, ইন্দিজিনস স্পোর্টসতা থাঙ-তা, কাঙ, মুক্না, য়ুবী লাকপী, লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিদা হাংগদৌরিবা ইন্দিজিনস ফুদকী ষ্টোলশিংদা মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমদি বাংলাদেশকী মীওইশিংসু শরুক য়াগনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না স্পেসল পেনা ফ্যুজন ম্যুজিক, ম্যুজিকেল নাইট, পুঙ-চোলোম, মিস শিংজু কন্টেষ্ট (শিংজু শকহেনবী চাংদম্নবা), সিম্পোজিয়ম ওন মেদিসিনল প্লান্টস, সেভ অৱার পোনি হায়বা থীমদা অঙাংশিংগী ওইবা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন, ইন্দিজিনস শিংজুদা য়াওরিবা কান্নবশিং হায়বা থীমদা স্পোট এসে রাইটিং কম্পিটিসনসু পাঙথোক্কনি।

লোয়ননা চহী ১৮গী মনুংদা লৈরিবা নুপা অমদি নুপীগী সোলো দান্স কম্পিটিসন, মিট দ ষ্টার্স এন্দ পর্সনেলিটিজ, মীদিয়া ইন্সত্রক্সন প্রোগ্রাম, নোকফদে, রাইটর্স মীট, শুমাং কুম্মৈ, আর্ট এগজিবিসন, য়োগ দেমোন্সত্রেসন, নেরেটিভ আর্ট, ফ্রী হেল্থ কেম্প, বুক এগজিবিসন, ত্রাইবেল কলচরেল প্রোগ্রাম, মীতৈ পাঙলস কলচরেল প্রোগ্রাম, লিগেল এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম, ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি ট্রেদিসনল কষ্টুমদা ফেসন সোনচিংবসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি ইরমদম মণিপুর অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী ইপা-ইপুশিংনা নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌনা শিংজু হায়বা লমদমসিগী লৈবাক-লৈহাওদা হৌজবা মনা-মশিং খুদম ওইনা পেরুক, কোমপ্রেক, শিংজুপান, লফুথরো, হৈবী মনা, য়েন্দেম, ফৈজা, টোক্লিংকোক, থম্বৌ, তেংনৌমানবী, হৱাই মতোল, হঙ্গাম মতোল, লফু, চাকহৱাই, অৱাথবী, য়োংচাক অমদি ঈকায়থবীনচিংবা মতম-মতমগী ওইবা মেদিসিনল ভেল্যু য়াওবা অশং-অমান্তনা শেম্বা চীঞ্জাক মখল অমসু ওইরিবা শিংজু অসি য়োকখৎপনা লমদমসিদা হৌরিবা মেদিসিনল প্লান্টশিং য়োকখৎপদা নত্তনা গ্রীন রিভোল্যুসন শাগৎমিন্নবা য়াই হায়বসিনা ফেষ্টিভেল অসিগী ইহান হানবা পান্দমনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসিগী অকুপ্পা মরোল ৯৮৬২১০০৬৫৮; ৭০০৫৮৩৪৮৪৯ অমদি ৭০৮৫৮০৬৪৩৬ নচিংবদগী খঙবীবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি

# নুপীলাল থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা নুপীলালগী থৌরম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তসু ৮৩শুবা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎকী থৌরম লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা মপুং ফানা পাঙথোক্লগনি হায়না জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী (এ জে এম পি)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী কনভিনর হাওবম থোইবীনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নুপীলালগী থৌরম অসিবু মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু অমসুং অসিগুম্লবা ঐখোয় পুন্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীদুনা ঐখোয়গী থৌনা ফরবী ইমাশিং নীংশিংসি হায়খি। ঙসি পাউগী মীফম অদুদা ওবজার্ভেসন কম্মিটি অসিগী কো-কনভিনর এস সুশিলা অমদি এন নিবারানিসু শরুক য়াখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫। ১২। ২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
পোইনুগী ১৩ পানবা।

মেষ: নীংবা থুংগনি, শেন্দোং ফংগনি, মরুপকী মতেং ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি। হস্থবা লোয়নবা, নাপল তৌবদি মাঙবতা নংগনি। নীংথিনা খন্থৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: নাপল তৌরদি নখা থাবনা উশিৎলোই। মরুপ মপাংনদি চানবীগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, শেল-থুম চঙগনি, অনীংবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: ফংফম থোকপদা নাইতোম ৱা তুপথোক্লদি মাঙজগনি। মীয়ামগী মতেং পান্নদি ফংগনি, অফবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজৈ, শেন্দোং লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: অনৌবা ৱাখলনা থৌপাঙউ। নচাক নরল অমদি ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। ফংফম থোকপা কান্নবা ফংগনি। অঙম্বগী ৱা খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: খুৎ চাওবা মাঙবতা নংগনি। নথক থোংবা নৎত্রগা মরুপ মপাংগী ৱা তাবনা ঙসিসু থবক পাঙগনি। অদুবু চরাঙনরবদি অঙম্বনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- তেংবাঙথোকপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

কন্যা: মীনা ইনশিনবা লৌবদৈ মাঙগনি, হুরানবদৈ চেকশিল্লু। অচুম্বনা মাঙওইনরদি কান্নজগনি, তন্দবনা য়াইফগনি। থাজবা মরুপকী ৱা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অতনবনা মাঙজগনি। লন চঙগনি, খন্থরগা থৌ পাঙলদি মায়থিরোই। পাউ নুংঙাইবদি তাই, অনৌবা মরুপ ফংগনি। লম চৎপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

বৃশ্চিক: ৱাখল থোক্কনি। অঙম্বনা চানবীরনি, ৱাখলগী পাঙ্গল কল্লনি। হকচাংদি নুংঙাইরোই-থৌয়াম পুবদি ফরোই, য়েক্লবা য়াম্মী-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: অনম তান্না থৌপাঙবনসু মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। মরুপকী ৱাদি মাঙবা লৈরোই-থাজদবা তৌগনু। য়েক্লবা লৈরসু লাকশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- শিখাং খাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীনা ইনশিনবা লৌগনু। লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, ওইগদ্রা খনবসু ওইথোক্লোই। নচা-ননাই, মীয়ামগী মরী, থবক্কী লমদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: মাঙবা লৈরোই, নীংবা থুংগনি, য়েক্লবা মাঙখিনি, মীংচৎ ফংগনি, ঙাংবা শকপা হৈ অমদি মীংচৎ তানবা মায় পাক্কনি। থাজদনা কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: থেংলপ্না নীংবা থুংগনি। অফবা মফমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি। তুংদা চাওনা কান্নবা হেনগনি। মরুপ মপাং ৱাতান্নবা পাঙবসু মায় পাক্কনি। হস্থবদি লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# এফ এম এমগী নৌনা থৌ পুগদবা খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : ফিল্ম ফোরম মণিপুর (এফ এফ এম)গী হাংদুনা লৈরকপা ভাইস চ্যেরমেন অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম অনী অদু ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী এক্সত্রা ওর্দিনরি এসেম্বলীগী ৱারেপ মতুংইন্না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন ওইনা এল সুর্জকান্তনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা ভাইস চ্যেরমেনদনা ওকেন অমাকচম অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিদা রোনেলচন্দ্র মৈতৈ খনখ্রে। নৌনা খল্লবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী থৌ পুগদবশিং অসি ঙসি দিসেম্বর ৪, ২০২২দগী হৌরগা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী ওইনা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী থৌ পুবা হৌরগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন শান্তি রাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও লোকেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ইকোপ পাৎতা দ্রাইভ চথুবগা লোয়ননা পাৎতগী কারকপা মীওইশিং চেক তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : ইকোপ পাৎতগী কারকপা মীওইশিং চেক তৌদুনা উচেক ফারকপরা য়েংখিবগা লোয়ননা ঙসি ইকোপ পাৎতা অঙনবা অয়ুক্তগী হৌনা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও, টি ঐচ লোকেন্দ্রোগী মীৎয়েংদা মহাক্না লুচিংবা টিম অমনা উচেক ফানবা লাং থাকপশিংগী মথক্তা দ্রাইভ চথুখ্রে।

থৌবাল রেঞ্জগী মনুং চন্না লৈবা ইকোপ পাৎতা ঙসি অঙনবা অয়ুক্তগী হৌদুনা উচেক ফানবা লাং থাকপশিংগী মথক্তা দ্রাইভ চথুবগী থবক অদু থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জগী দেপ্যুটি রেঞ্জর এম দি অস্লমনা লুচিংদুনা চথুখিবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা চথুখিবা দ্রাইভ অদুদা থৌবাল রেঞ্জগী মনুংদা লৈবা বিট ওফিসশিং ময়াই কৈথেল বিট ওফিস, য়াইরিপোক বিট ওফিস



অমসুং হৈরোক বিট ওফিসকী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

ইকোপ পাৎতা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা চথুখিবা দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা থৌবাল রেঞ্জগী দেপ্যুটি রেঞ্জর এম দি অস্লমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিক অরাপ্পা মফম কয়াদগী চাক্তাবা লাক্লিবা লন্নক্কী উচেকশিংবু কন্ননবগী পান্দমদা দ্রাইভ চথুদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ইকোপ পাৎকী অতাও ফুম এরিয়া অসিদা ঙসি দ্রাইভ অসি চথুবনি। মফম অসিদা মমাঙদদি দ্রাইভ চথুবা মতমদা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং মশীং খঙদনা ফাগৎপা ঙমখি। অদুবু ঙসিদি মফম অসিদা উচেক ফানবা লাং অমত্তা থাক্লমদ্রে। লন্নক্কী উচেক কয়ামরুমসু মনিং তম্না পাৎ অসিদা চাক্তাদুনা লৈবা থেংনরে। অসিগুম্বা ফীভম অসি উবদা হৱাও নুংঙাইবা অমা ফাওই। ওইরক্লিবা ফীভম অসি মীয়াম্না ৱাখল তারকপদগীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উচেক ফানবা লাং থাক্লমদবা অমদি লন্নক্কী উচেকশিং মনিং তম্না শান্নজরম্বা হায়বসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অসিনা চথুরিবা দ্রাইভ অসিদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীরকপগী অচৌবা খুদমনি। অদুবু অতোপ্পা মফম খরদা নোংমৈ কাপ্তুনা, হু থাক্তুনা উচেক কয়া ফারে হায়বগী পাউ লৈরি। অসিগুম্বা থবক অসি অথুবা মতমদা লেপ্পীয়ু। করিগুম্বা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা দ্রাইভ লাকপদা থেংনবা থোক্লবদি ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২গী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি হায়রদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা, হু থাক্তুনা উচেক ফারিবশিংসু খুদক্তগী লেপ্পবা অকনবা ৱাফম মহাক্না ফোঙদোরক্লি।